





## মাউন্ট রেনিয়রদা য়ুহা ৩০০ লক হারকখ্রে

ৱাসিংটন, জুলাই ১১ (এজেন্সি) :
আমেরিকাদা লৈবা মাউন্ট রেনিয়র হায়না খঙনবা মৈগী চীংদা হৌখিবা নুমীৎ খরনি অসিগী মনুংদা য়ুহা ৩০০ লক হারকখ্রে। য়ুহা য়াম্না তোয়না হারকখিবা অসিনা মরম ওইরগা মৈগী চীং অসি পোকখায়রকপা নৎত্রগা লৈবাক অসিদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোক্লক্কদ্রা হায়বগী অকিবা চাউনা লৈরকখ্রে হায়না সাইন্টিষ্টশিংনা ফোঙদোরকখ্রে। মৈগী চীং অসিদা ঙসিগা থানা য়ুহা হারকখিবা পুন্না ৩৩৪ রোম শুখ্রে হায়রি।

## রসিয়া মরুপ ওইবা লৈবাকনি হায়খিবা অরানবনি: রিপোর্ট



ইস্লামাবাদ, জুলাই ১১ (এজেন্সি) :
নুমীৎ খরনিগী মমাংদা পাকিস্তানগী লুচিংবশিংনা রসিয়া হায়রিবা লৈবাক অসি মরুপ ওইবা লৈবাক অমা ওইবতা নত্তনা মতম পুম্বদা মতেং পাংবা লৈবাক অমনি হায়না ফোঙদোকখিবা অদু অরানবা ৱাফমনি। রসিয়ানা ৱাফম অদু ফোঙদোকখিবা লৈতে হায়না রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখ্রে।

পাকিস্তানগী থৌওং অসি ইনিদয়াদা লান্না উহন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা রসিয়া অমদি ইন্দিয়াগা লৈনরিবা মরি অদু কল্লকপদগী থুগায়নবা হোৎনরকপা থবক অমনি। পাকিস্তানগী থৌওং অসি য়াম্না ইকায়নিংঙাইনি হায়নসু রসিয়ানা ফোঙদোরকখ্রে হায়রি।

# বঙ্গলাদেশ কুকি লালহৌবশিংগী লৈফম ওইরকখিবগা লোয়ননা লালহৌবা লিশিং ১ রোমসু হেন্না ত্রেনিং পীখ্রে





ধাকা, জুলাই ১১ (এজেন্সি) :
বঙ্গলাদেশ কুকি লালহৌবশিংগী লৈফম ওইরকখিবগা লোয়ননা লালহৌবা লিশিং ১ রোম হেন্না ত্রেনিং পীখ্রে। হৌখিবা থা খরা অসিগী মনুংদা বঙ্গলাদেশতা লোনা থিংখ্রবা কুকি চিন নেসনল ফ্রন্ট (কে এন এফ) কি এক্টিভিটিশিংসু অঙকপা ফংনা হেনগৎলকখ্রে হায়রি।

সেক্যুরিটি এজেন্সিশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না বঙ্গলাদেশকি চটগাউ হায়না খঙনবা মফম অমদা লৈবা ফেক্টরি অমদা সর্চ ওপরেসন চথবদা কুকি লালহৌবশিংনা শীজিন্নবা লালহৌবা লিশিং ৩০ রোমগী য়ুনিফোর্মশিংসু ফংবা ঙমখিবনি। য়াল্লবা য়ুনিফোর্মশিং অদু চাউরাক্লা টকা ক্রোর ২০ লোমগী ওইগনি হায়রি। রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না য়ুনিফোর্ম লিশিং ১০ রোমদি মাঙজৌননা কুকি লালহৌবশিংদা য়ৌখ্রে। সেক্যুরিটি এজেন্সিশিংনা ফংবা ঙমখিবা য়ুনিফোর্মশিং অদু গুরিলা ৱারদা শীজিন্নবা তুবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি। অরোনবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না কুকি লালহৌবশিং অদুনা ইন্দিয়াগী মণিপুর, মিজোরাম অমদি ম্যান্মারগী চিন অমসুং রখাইন ষ্টেটশিং লোয়ননা বঙ্গলাদেশকি চটগাউ হিলগী লমশিংদা এটেক চথনবা থৌরাংখিবনি হায়নরি।

কে এন এফ লালহৌবা লুপ অসিগী ওইনা ট্রেনিং মপুং ফানা ফংলবা মিলিটেন্ট লিশিং ৩ লোম লৈ। মসিগী মনুংদা লিশিং অমরোম্না গুরিলা ৱারগীদমক মপুং ফানা ট্রেনিং পীখ্রবনি। কে এন এফ হায়রিবা লালহৌবা লুপ অসি বঙ্গলাদেশতা লৈরিবা অলকায়দানা শৌগৎপা অন্সার অল ইস্লাম হায়রিবা টেররিষ্ট গ্রুপ অসিগা য়াম্না নক্লবা মরি লৈবতা নত্তনা পুন্না থবক তৌমিন্নরি। কুকি লালহৌবশিংগী থৌওং অসিনা চাউনা অকায়বা পীবা হৌরকখ্রে হায়রি।

## সেখ হসিনাগী লৈঙাক তুখ্রবা মতুং বঙ্গলাদেশতা ভাইওলেন্স ২,৪৪২ হেন্না থোকখি: রিপোর্ট

ধাকা, জুলাই ১১ (এজেন্সি) :
বঙ্গলাদেশতা সেখ হসিনাগী লৈঙাক তুখ্রবা মতুং ২০২৪গী ওগষ্ট থাদগী ঙসি ফাওবগী মনুংদা ভাইওলেন্স য়াওবা ঈহৌ ২,৪৪২ হেন্না থোকখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না লৈবাক অসিদা লৈরিবা মাইনোরিটি ওইরবা হিন্দু, বৌধ, ইসাই অমদি অতৈ অতোপ্পা ফুরুপশিংগী মীওইশিং দসু ওৎপ-নৈবগী চাং খম থেংনা ৱাংখৎলকখ্রে। ঈহৌশিং অসিদা ঈহৌরোয়শিংনা মী হাৎপা, গেং রেপ, য়ুম মৈ থাবা অমদি লাইনিং লাইশোনগী য়াম্না মরুওইবা লাইশঙশিং থুগায়বা অমদি মৈ থাবগী থবক পাকশন্না চথখি। হৌজিকসু বঙ্গলাদেশতা থোক্লিবা তমথিরবা ঈহৌশিং অসি মোহম্মদ য়ুনুস খানগী ইন্টরিম গভর্ণমেন্টনা লাকশিনবা ঙমদ্রি হায়রি।

## অঙাং য়াওনা ইজরেলগী লান্মীশিংনা গাজাদা পেলেষ্টিনিয়ান ৮২ হাৎখ্রে

গাজা, জুলাই ১১ (এজেন্সি) :
ইজরেলগী লান্মীশিংনা গাজাদা ময়ুম মকে লৈত্রবা মীওইশিংগী মথক্তা এটেক চথদুনা অঙাং য়াওনা পুন্না পেলেষ্টিনিয়ান ৮২ রোম হাৎখ্রে। গাজাদা ইজরেল অমদি হামাসকা শোক্নদুনা লাকখিবা লান অসিদা হৌজিক ফাওবদা পুন্না পেলেষ্টিনিয়ান ৫৭,৭৬২ হাৎখ্রে। অশোকপগী মশিংনা পুন্না ১,৩৭,৬৫৬ লোম হেনখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

য়ুনাইটেদ নেসন্স চিলড্রেন্স ফন্দ (য়ুনিসেফ) না ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না গাজাগী লান অসিদা পীক্লিবা অঙাং কয়া য়াওনা চহী ১৫ গী মখাদা লৈবা অঙাং কয়া লান অসিদা ইজরেলগী এটেক্তা শীখ্রে। মসিগী তেকচাক পুম্নমক ইজরেলনা পুগদবনি। অঙাং কয়া অমনা লান অসিনা মরম ওইরগা চাবা-থকপা মপুং ফানা ফংদবদগী অৱাবা কয়া মায়োক্নহল্লে হায়রি।

## সেক্রেট সর্ভিস ৬ দোনাল্ড ট্রম্প গভর্ণমেন্টনা সসপেন্দ তৌখ্রে



ৱাসিংটন, জুলাই ১১ (এজেন্সি) :
মমাং চহী ২০২৪ গী জুলাই ১৩ দা পেনসিলভানিয়াদা পাঙথোকপা মীখলগী রেলি অমদা নোংমৈনা কাপ্পুনা দোনাল্ড ট্রম্পবু হাৎনবা হোৎনবদা ঙাকথোকপা ঙমহৌদবা য়ু এসকি সেক্রেট এজেন্সি ৬ সসপেন্দ তৌখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না য়ু এস সেক্রেট সর্ভিসকি মায়কৈদগী ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না সসপেন্দ তৌখ্রবা ওফিসিএল ৬ অদুগী মমিং মীয়াম মাংদা লাউথোকপা লৈত্রি। হায়রিবা সেক্রেট এজেন্ট ৬ অদু নুমীৎ ৪২ রোম থাগা তোলোপ পীদনা থমগনি। অদুবু সেক্টের এজেন্ট ৬ অদু করি মরমগীদমক দোনাল্ড ট্রম্প লৈঙাক্লা সসপেন্দ তৌখিবনো হায়বগী চপচাবা মরমসু ফোঙদোরকপা লৈত্রি। পনবা য়াবদি স্নাইপর শীজিন্নদুনা চথরকখিবা এটেক অদুদা দোনাল্ড ট্রম্পকি মনা খেৎতুনা নোংমৈ মরু পাইদুনা চৎখিবনি।

## শক্নাইরবি বেলি দান্সর সোহিলা টারেক হসন হগ মুস্লিম কন্ট্রি কাহিরা ইন্টরনেসনল এয়ারপোর্টতা ফাখ্রে

কাহিরা, জুলাই ১১ (এজেন্সি) :
বেলি দান্সকি লমদা মালেম শিনবা থুংনা ফাওরিবী ইটলিগী সোহিলা টারেক হসন হগ কাহিরা ইন্টরনেসনল এয়ারপোর্টতা ফাখ্রে। শকহেনবি বেলি দান্সর সোহিলা টারেক হসন হগ মিশ্রদা পোকখিবা ওইরবসু মহাক ইটলিগী সিটিজেন্ট অমনি। মালেম শিনবা থুংনা ইন্সটাগ্রামদা মহাক্কি ফোলোৱর লাক্ষ ২২ হেন্না লৈ হায়নসু রিপোর্ট অসিনা ফোঙদোরক্লি।



কাহিরা ইন্টরনেসল এয়ারপোর্টতা সোহিলা টারেক হসন হগবু ফাখিবা অসি মমাং থা জুন ২২ দনি। কাহিরাগী ওফিসিএলশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না হসন হায়রিবা বেলি দান্সর অসি নাতৈ চাদবা ফীরোল শেৎতুনা অতম্ননা হকচাংগী কয়াৎ কয়াবু উৎতুনা খুন্নাইদা চৎনরিবা লোনচৎশিংগী ৱাংমদা থবক তৌরকপনা মরম ওইরগা ফাবনি। ন্যু য়োর্ক পোষ্টকি রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না মহাক্কি থৌওং অসিনা মরম ওইরগা হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা অরানবা পাউজেল পীবা হায়বদু থোক্লে। মুস্লিম কন্ট্রি অমা ওইরিবা মিশ্র হায়রিবা লৈবাক অসিদদি নাতৈ চাদবা মওংদা নুপীশিংনা ফি-শেৎ ইনবা য়াদে। অসিগুম্বা নুপীশিংদা শেল অমদি জেলগী চৈরাক পীদুনসু লাকখিবনি।

কুমজা ২০২০দা মমিং লৈরবা দান্সর সমা অল-মসরিগী মথক্তসু নাতৈ চাদবা ফিরোল শেৎতুনা নহাশিংবু অরানবা লম্বীদা পুনবা হোৎনৈ হায়বগী মরালদা চহী অহুমগী জেলগী চৈরাক পীখিবগা লোয়ননা পাউন্দ লাক্ষ ৩ লোমগী ফাইনসু থিহনখিবনি। অদুবু হ্যুমেন রাইটসকি লমদা থবক তৌরিবা লুপশিংনা অসিগুম্বা নুপীশিংগী নীংতম্বগী মায়োক্তা চথরিবা থবক অসি য়ানিংদে হায়না ফোঙদোক্নরকখিবদি লৈখি হায়রি।

## মন্দিরগী পুজারিনা আর্শিবাদ পীবগী মীংদা লিশালিনিবু মোলেষ্ট তৌখ্রে



কুৱালালনপুর, জুলাই ১১ (এজেন্সি) :
এক্ট্রেস অমদি টি ভি হোষ্ট অমসু ওইরিবি লিশালিনি কনরনবু মালেসিয়াদা লৈবা লাইশঙ অমদা ইন্দিয়া মচা পুজারি অমনা আর্শিবাদ পীবগী মীংদা মোলেষ্ট তৌবিখ্রে হায়না লৈবাক ৱাথোক ওইখ্রে হায়রি।

মালেসিয়াগী সেপাংদা লৈবা মরিয়ন্মন লাইশঙদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা ওফিসিএলশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না পুজারি অদুনা শকহেনবি এক্ট্রেস লিশালিনি কনরনগী ব্লাউজদা খুৎ থিংজিন্দুনা নৎতবা লিচৎ চৎলকখিবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা লিশালিনিনা পুলিসদা কম্পলেন তৌবদগী পুজারি অদু ফানবা থিরকপদগী মফম খঙদনা লোৎখ্রে। পনবা য়াবদি লিশালিনি ২০২১ দা মিস গ্রান্দ মালেসিয়াগী টাইটল ফংখি। মহাক হৌজিক হৌজিক মালেসিয়াদা লৈরি। থৌদোক অদুগী মতাংদা লিশালিনিনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না পুজারি অদুনা লাই খুরুম্বা লোইরবা মতুংদা পুন্সিদা হেন্না মায়পাক্নবা অখন্নবা আর্শিবাদ পীগনি হায়দুনা কা অমা তম্না পুশিল্লগা নৎতবা লিচৎ চৎলকখিবনি হায়রি।

## নেপালগী লম্বীদগী লস্কর-এ-টাইবা অমদি জেস-এ-মোহম্মদনা লান্দারকপা য়াই

ইস্লামাবাদ, জুলাই ১১ (এজেন্সি) :
ওপরেসন সিন্দুরগী লমন খুন্বা ঙম্নবা পাকিস্তানদা লৈরিবা টেররিষ্ট গ্রুপ লস্কর-এ-টাইবা অমদি জেস-এ-মোহম্মদ অনীনা নেপালগী লম্বীদগী ইনিদয়াদা লান্দানবা থৌরাং তৌবা হৌখ্রে হায়না নেপালগী সেক্রেট এজেন্সিগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরকখ্রে হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না নেপালগী মায়কৈদগী ইন্দিয়াদা টেররিষ্টশিং অসিনা লান্দানবা হোৎনরকপা মরম্না লৈবাক অনীনা অমত্তা ওইনা টেররিষ্ট থেংননবগীদমক হৌজিক্তগী হৌনা অমত্তা ওইনা থবক পায়খৎমিন্নহৌবসু চুমগনি হায়নসু ফোঙদোরকখিবনি হায়রি।


## চাইনানা কাচিন ইন্দিপেন্দেন্স আর্মিদা ফোংনা অকি-অখঙ পীখ্রে

রঙ্গুন, জুলাই ১১ (এজেন্সি) :
ম্যান্মারদা লান হৌরিবা কাচিন ইন্দিপেন্দেন্স আর্মিদা চাইনানা ফোংনা অকনবা মওংদা অকি-অখঙ পীখ্রে।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ম্যান্মারগী বামো হায়রিবা লম অসি চাইনাগা শুপ্নগী কিলোমিটর ১০০ খক লাপ্পবা মফম অমনি। বামোদা থোক্লিবা রেএর অর্থ চহী কয়াগী মমাংদগী চাইনানা লৌদুনা লাকখিবনি। অদুবু হৌখিবা থা খরা অসিগী চাইনানা শৌগৎপা মিলিটরি জুন্টাশিংবু বামোদগী তকখায়রক্তুনা খুৎলায় পায়বা লালহৌবা কাচিন ইন্দিপেন্দেন্স আর্মিনা লৌশিল্লকপা উবদগী করিগুম্বা বামো মপুং ফানা লৌশিল্লবদি রেএর অর্থ লৈদুনা লাকখিবা অদু তোক্লগনি হায়না চাইনানা চাউনা অকি-অখঙ পীরকখিবনি। হৌজিক-হৌজিক ম্যান্মারগী বামো হায়রিবা মফম অসিদা খুৎলায় পায়বা লালহৌবশিং অমদি মিলিটরি জুন্টা অনীগী মরক্তা অকন্নবা মওংদা লান শোক্নদুনা লৈরি।

ম্যান্মারদগী লৌরিবা রেএর অর্থশিং চাইনানা অহোংবা মমলদা লৈদুনা মালেমগী লৈবাকশিংদা তাংনা অমুক য়োন্দুনা লাকখিবনি। চাইনানা ম্যান্মারদা সিভিল ৱার মতম পুম্বদা থোকহন্দুনা মদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা লাকখিবনি। কাচিন ইন্দিপেন্দেন্স আর্মিদা লান্মী লিশিং ১৫ হেন্না লৈদুনা মপাঙ্গল কনবা লুপ অমনি হায়রি।

## ইন্দিয়াগা শোক্নখিবা লানদা লৈবাক অমত্তনা পাকিস্তানদা মতেং পাংখিদে



ইস্লামাবাদ, জুলাই ১১ (এজেন্সি) :
ইন্দিয়াগা শোক্নখিবা লানদা চাইনা অমদি টর্কিনা পাকিস্তানদা মতেং পাংখি হায়দুনা মালেমগী লৈবাকশিংনা ফোঙদোরকপদগী চাইনা অমদি টর্কি কন্নবগীদমক পাকিস্তানগী আর্মি চীফ জেনরেল আসিম মুনিরনা ইন্দিয়াগা হন্দক শোক্নখিবা লান অদুদা পাকিস্তানদা অতোপ্পা লৈবাক অমত্তনা মতেং পাংলকখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগা শোক্নখিবা লানদা চাইনা অমদি টর্কিনা পাকিস্তানগী মতেং য়াম্না লোন্না-থুপ্না পাংখিবনি। মালেমগী লৈবাকশিংনা চাইনা অমদি টর্কিগী অরোনবা থৌওং অদুগী মতাংদা লেপ্পা লৈতনা য়ানিংদবা অমদি প্রেসর কয়া পীরক্লিবা অদুদগী ঙাকথোকপা ঙম্নবা খোইশাউনরবা পাকিস্তানগী লুচিংবশিংনা চাইনা অমদি টর্কি লৈবাক অনীবু কন্নবা হোৎনরকখিবনি। লান অসিদা চাইনা অমদি টর্কিনা পাকিস্তানদা মতেং পাংলবসু ইন্দিয়ানা পাকশন্না মাঙ-তাকহনখিবনি।

## চহী ৩ হেল্লবা য়ুক্রেনগী লান ব্লাদিমির পুতিননা মরম ওইরগা লোইশিনবা ঙমদবনি: মার্কো



মলেসিয়া, জুলাই ১১ (এজেন্সি) :
চহী অহুম হেল্লবা য়ুক্রেনগী লান হৌজিক ফাওবা লোইশিনবা ঙমদ্রিবা অসি রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুতিননা থোকহনবনি হায়না আমেরিকাগী ফোরেন মিনিষ্টর মার্কো রুবিয়োনা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

মালেসিয়াদা হৌজিক পাঙথোক্লিবা আসিয়ানগী সম্মেলন অমদা রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর সর্গেই লাভরোভকা উনখিবা অমদা আমেরিকাগী ফোরেন মিনিষ্টর মার্কো রুবিয়োনা য়ুক্রেনগী লান লোইশিন্নবগী মতাংদা প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুতিননা উৎলকখিবা থৌওং অদুগী মতাংদা আমেরিকাগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প হৌজিকসু খম থেংনা শাউরি হায়নসু পাউদমখি হায়রি।

পনবা য়াবদি আমেরিকানা য়ুক্রেনগী লান লোইশিন্নবা কয়ারক হন্না হোৎনরবসু লোইশিনবদি লায়রদনা নাকল অনীগী মরক্তা অমুক্কা হেন্না লান্দানরকখিবনি। রসিয়াগী থৌওং অসিনা য়ু এসনা য়ুক্রেনদা অমুক লানগী খুৎলায় পীবদা য়ারকখিবনি। মরম অদুনা রসিয়া অমদি য়ুক্রেনগী লান হৌজিকমক্কি ওইনা লোইশিনবা য়াবগী ফীভমদা লৈত্রি। এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না লান অসি করিগুম্বা রসিয়ানা মায়পাকখ্রবদি য়ুরোপকি লৈবাকশিংদসু রসিয়ানা মখা তানা লান্দারকপা য়াই। মমি অসি উবদগী য়ুরোপকি লৈবাকশিংদা লানগী থৌরাং তৌবা হৌখ্রে হায়রি।

## জুন থাদা রসিয়ানা চথখিবা এটেক্তা ২৩২ শিখ্রে ১,৩৪৩ না শোকখি

য়ু এন, জুলাই ১১ (এজেন্সি) :
রসিয়া অমদি য়ুক্রেন লৈবাক অনীগী মরক্তা চহী অহুম হেন্না শোক্নদুনা লাকখিবা লান অসিগী মনুংদা মমাং থা জুনদা রসিয়ানা লান্দারকপদগী য়ুক্রেনগী মীওই ২৩২ রোম শিখি। অদুগা মীওই ১,৩৪৩ লোম্না অশোক-অপন নংখি হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না চয়োল অসিগী মনুংদা রসিয়ানা ড্রোন ৪০০ অমদি মিসাইল ১৮ লোম কাপশিন্দুনা লান্দারকখি। এটেক অদুদা মীওই ২ শীখিবগা লোয়ননা মীওই ২৬ লোম্না চাউনা অশোক-অপন নংখি হায়রি। য়ুক্রেনদা খুৎলায় পীবা থিংলম্বা অদু য়ু এসনা অয়াবা পীরকখিবদগী চহী অহুম হেল্লবা লান অসি মখা তানা অকনবা মওংদা অমুক শোক্নরকপা য়াবগী অকিবা লৈরে হায়নসু রিপোর্ট অসিনা মখা তানা হায়রি।

## দোনাল্ড ট্রম্পনা কেনাদাদা টেরিফ চাদা ৩৫ থমজিনখ্রে

ৱাসিংটন, জুলাই ১১ (এজেন্সি) :
আমেরিকাগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা কেনাদাদা টেরিফ চাদা ৩৫ থমজিনখিবগা লোয়ননা করিগুম্বা হীরম অসিগী মতাংদা কেনেদানা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লবদি টেরিফ অমুক্কা হেন্না চাউনা থমজিল্লগনি হায়না ফোঙদোরকখ্রে হায়রি।

কেনেদাদা ট্রম্পনা টেরিফ ৱাংনা থমজিল্লিবা অসি আমেরিকাদা কেনেদানা ফেন্টালিন হায়না খঙনবা ড্রগ মখল অমা থাজিল্লক্তুনা য়ু এসকি নহা কয়া ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কি ইপাক্তা তাউহল্লে হায়না মরাল শীদুনা থমজিল্লকখিবনি। লোয়ননা ফেন্টালিন ড্রগকি ৱাফম খক্তা নত্তনা আমেরিকাগা ললোন ইতিক তৌনবগী থবক অসিদা কেনেদাদা চথরিবা টেরিফ অমদি নন-টেরিফকি পোলিসিশিংনা আমেরিকাদা চাউনা অকায়বা কয়া পীরকপদগী খোইশাউনরবা ট্রম্পনা কেনেদাদা টেরিফ চাদা ৩৫ গী চাংদা থমজিল্লকখিবনি হায়রি।

## বঙ্গলাদেশকি তমথিরবা লুপশিংনা মীখল পাঙথোকহল্লোই কিহল্লকখ্রে

ধাকা, জুলাই ১১ (এজেন্সি) :
বঙ্গলাদেশকি তমথিরবা জমাট-এ-ইস্লামি, ইস্লামি আন্দোলন বাঙ্গলাদেশ, খিলাফট মজলিস, মুত্তাহিদে মজলিস-এ-অমল অমদি তঞ্জিমুল উলেমানচিংবা পার্টি ওইরিবা লুপশিংনা মখোয়না তাল্লিবা দিমান্দশিং পীদ্রবদা বঙ্গলাদেশতা মীখল পাঙথোকহল্লোই হায়না মিলিটরিগী মকোক থোংবা আর্মি চীফ জেনরেল ৱাকার-উজ-জমানদা অকি-অখঙ চাউনা পীরকখ্রে হায়রি।

তমথিরবা ৱাখল্লোলগী মখাদা থবক তৌরিবা বঙ্গলাদেশকি পার্টিশিং ২০২৬ কি ফেব্রুৱারি থাদা মীখল পাঙথোকপা য়ারোই অমদি বি এন পিগী মায়কৈদগীনা চহী অসিমক্তদা মীখল পাঙথোক্নবা দিমান্দ তৌখিবনি।

## য়ু এসনা বোম্বর প্লেন বি-৫২ নোর্থ কোরিয়াগী নোংথক্তগী পাইদুনা কিম জোংদা কিহন-খঙহনখ্রে



সিওল, জুলাই ১১ (এজেন্সি) :
য়ু এসনা বোম্বর প্লেন বি-৫২ নোর্থ কোরিয়াগী নোংথক্তগী পাইদুনা সুপ্রিম লীদর কিম জোং উনদা কিহন-খঙহনখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি হৌজিক হৌজিক জপান, সাউথ কোরিয়া অমদি আমেরিকা লৈবাক ৩ গী অপুনবা মিলিটরি ৱার এক্সরসাইজ চথরিবনি। ৱার এক্সরসাইজ অসিগী মনুংচন্না য়ু এসনা বোম্বর প্লেন বি-২ য়াওহন্দুনা নোর্থ কোরিয়াগী নোংথক্তা পাইহনখিবনি। য়ু এসকি থৌওং অসি মালেমদা অহুমশুবা ৱর্ল্ড ৱার থোক্লক্নবগী অচৌবা মরম অমা ফাওবা ওইরকপা য়াই। মরমদি য়ু এসকি থৌওং অসি নোর্থ কোরিয়া অমদি রসিয়ানা তরাইনা লৌরোই। মরমদি হৌজিক হৌজিক রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর সর্গই লাভরোভ নোর্থ কোরিয়াদা চৎকদবগী ঙাইদুনা লৈরিবা মতমনি। লৈবাক অহুমনা ৱার এক্সরসাইজ তৌরিবা অসি নোর্থ কোরিয়াদা অচৌবা পাউজেল অমা পীবা ঙম্নবসুনি হায়রি।

## বলুচিষ্টানদা খুৎলায় পায়বশিংনা ৯ হাৎখ্রে

ক্বেটা, জুলাই ১১ (এজেন্সি) :
পাকিস্তানগী বলুচিষ্টানদা খুৎলায় পায়বা মীওইশিংনা বস অমা হায়জেক তৌরবা মতুংদা বস অদুদা তোংলকপা পেসেঞ্জর ৯ লোম কাপ্পুনা হাৎতোকপিখ্রে হায়রি।

বস তোংদুনা লাকচবা মীচম ৯ অদু বলুচিষ্টানদা লৈবা করম্বা টেররিষ্ট লুপনা চথখিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। পনবা য়াবদি বলুচিষ্টানদা খ্বাইদগী অচৌবা খুৎলায় পায়বা লুপ অসি বলুচিষ্টান লিবরেসন আর্মি (বি এল এ) নি। লালহৌবা লুপশিং অসিনা পাকিস্তান গভর্ণমেন্টকি মায়োক্তা লান হৌদুনা লাকখিবনি।


## য়ু এস অমদি ইজরেল অনীনা লান্দারবসু ইরানগী ন্যুক্লিয়ার প্লান্ট থুগায়বা ঙমখিদ্রে



রিয়াদ, জুলাই ১১ (এজেন্সি) :
য়ু এস অমদি ইজরেল লৈবাক অনীনা অমত্তা ওইনা লৈজবা মথৌনা পুথোক্তুনা লান্দাখ্রবসু ইরানগী ন্যুক্লিয়ার প্লান্ট থুগায়বা ঙমখিদে হায়না ইজরেলগী ওফিসিএল অমনা ফোঙদোরকখ্রে হায়রি।

মশক মমিং তাকথোকনিংদবা ইজরেলগী ওফিসিএল অদুনা য়ু এস অমদি ইজরেল অনীনা বঙ্কর বষ্টর বোম থাদদুনা ইরানগী ন্যুক্লিয়ার প্লান্টশিং মপুং ফানা মাঙ-তাকহনখ্রে হায়বদু অরানবা ৱাফমনি। হৌজিক ইরানগী ইস্ফহান ন্যুক্লিয়ার প্লান্টদা মশিং য়াম্লবা য়ুরেনিয়মশিং পৈদুনা লৈরি। ইরাননা পুথোকখ্রবা য়ুরেনিয়ম কিলো ৪০০ রোম অদু তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা থংদোক্তুনা থমখি। অদুবু ইরাননা অমুক হন্না ন্যুক্লিয়ার খুৎলায় শানবা হোৎনবদা চহী খরাদি অদুমক চঙলগনি হায়নসু ফোঙদোরকখিবনি হায়রি।

## Crossword # 761



**Across**
1. Sizable servers
5. Discontinue, as a project
10. Stimulate, as an appetite
14. Biblical pronoun
15. Early aristocrat
16. Take a bride
17. Geological time period
18. Fissures
19. Operatic Trojan princess
20. What profits were skimmed with?
23. SOS response
24. Caterpillar hair
25. Back-of-the-book lists
29. Upper jaw
34. Word with hour or minute
35. Prefix with plane or space
37. Kiddy litter?
38. Indication of detachment
43. "The Madwoman of Chaillot" role
44. Dark area of the moon
45. Slapstick projectile
46. Albatross or pelican, e.g.
50. Good place to meditate
52. Ten below?
54. Directly, directionally
55. What the contestant competed with?
62. Kansas City daily
63. Dutch master Jan
64. Telltale sign
65. Invisible emanation
66. Gin partner
67. Redbone or Spinks
68. Noises
69. Nocturnal sound
70. Fancy fabric

**Down**
1. It has six sides
2. It can't take wing
3. Halfway through the day
4. Dessert order, perhaps
5. Walked with long steps
6. Santa's is hidden
7. Balsa vessels, e.g.
8. "God Save the Queen," e.g.
9. "Rey de Espana" is written here
10. "The Big One," to vets
11. Country's Faith
12. Mephistophelean
13. Darjeeling, for one
21. Commandments peak
22. Word with luxury or sales
25. Sucking insect
26. Steel plow manufacturer
27. Serious play
28. Type of studio
30. "How was ___ know?"
31. Jeweler's magnifying glass
32. Groucho's tattooed lady
33. Portfolio holding
36. He's responsible for a current law
39. Apply with a swab
40. Word with muff or flap
41. Something lent?
42. Abate, as rainfall
47. "___ not for me to say . . ."
48. Fowl perches
49. "Our Miss Brooks" student Walter
51. Get doubles in monopoly
53. One who responds to a dictator?
55. Place for small scissors
56. "The one that got away," e.g.
57. Eventful times
58. One destined to receive?
59. "Hey, what's the big ___?"
60. It brings people closer
61. White-tailed eagle
62. In a blue funk

Puzzle Grid

পাউখুম লমায় ৯দা